## উত্তরখন্দ, অৱাং নোংপোক্তা যুহার হাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ুক মথং শীৎনা উত্তরখন্দ অমসুং মেঘলয়াদা পংকন কনদবা যুহার হাখ্রে। উত্তরখন্দগী রুদ্রপ্রয়াগতা ইপিসেন্টর ওইদুনা মেগ্নিচুদ ৩.২দমক য়ৌবা যুহার হাখি হায়না আর্থ সাইন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মদুতা নত্তনা অৱাং থংবা ইনিদয়াগী শরুক্তসু ঙসি মেগ্নিচুদ ৫.৮ য়ৌবা ময়াই ওইরপ কনবা যুহার হাখি। মদুগী মতুং মেঘলয়াদসু ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম চৎপদা যুহার হাখি।

যুহার অদুনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদসু পংকন কনদনা হাখি। মমাঙ চহীদগী হৌনা যুহার হাগনবা সিজমিক বেল্টকী মনুং চনবা অৱাং নোংপোক লমদমদা তোইনা যুহার হাবগী থৌদোক থোক্লি। মখা তানা অকনবা যুহার হারকপা য়াবগী খুদোংথিবা লৈ হায়রি।

## স্বাইন ফ্লুনা নৌনা অনী শীহনখ্রে

*পুদুচেরি, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

পুদুচেরিদা স্বাইন ফ্লুনা শোকহনখিবা মীগী মশিং ৪৩ শুখ্রে। পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না ফেব্রুৱারি ১০ ফাওবদা লায়না অদুনা মীওই ৪১ শোকহনখি। মখা তানা মীওই ২ নৌনা শীহনখিবগা লোয়ননা লায়না অদুনা শোকহনখিবা মশিং ৪৩ শুখ্রে। অদুগা শীহনখিবা মশিংনা ৩৪ শুখ্রে।

হৌজিকসু জিপমরদা মীওই ২ অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি। রজিব গান্ধি ৱুমেন এন্দ চাইল্ড হোস্পিটালদা চহী ১.৫ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা লায়কন্নরি।

ঐচ ১ এন ১ ভাইরসনা অঙাং অদু নাহনবনি। অতোপ্পা চহী ৫ শুরবা মুথিয়ালপেটতগী অঙাং অমসু স্বাইন ফ্লুনা শোকহন্দুনা লায়কন্নরি হায়রি।

## য়ু পিদা এস পিগী মীরেপ অমা শীরে




*লখনৌ, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

উত্তরপ্রদেশকী অম্বেটকরনগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অল্লাপুর এসেমব্লী সিটতা মীরেপ ওইবা সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অমা ঙসি হার্ট এটেক্ট তৌদুনা লৈখিদ্রে।

মহাক লৈখিদবনা মরম ওইরগা সিট অদুগী মীখল ইলেক্সন কম্মিসননা য়েথোক্লবা য়াই হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না সমাজৱাদি পার্টিগী কেন্দিদেট চবদ্রাসেখর কনৌজিয়া অল্লাপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীখল থেংনরিবনি। মহাক ঙসি অয়ুক হার্ট এটেক্ট তৌদুনা লৈখিদবনি হায়রি।

## স্কুলশিংদা ইলেক্টোরেল লিটরেসি তমহনবা তঙাইফদে ঃ ই সি





*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

করম তৌনা দাইত্ব লৈবা ভোটর অমা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংদা পরা নাইনা তম্বিবা পাম্মী হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

চহী ১৫দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিং হয়েংগী ভোটরশিং মখোয়না চহী ১৮ শুরকপদা ভোটর অমা ওইরগদবনি। সেকেন্দরি স্কুলগী থাক্তা মহৈ তম্লিবা অঙাংশিংদা ইলেক্টোরেল লিটরেসি খঙহন্নবা থৌশিল হৌদোকপা তঙাইফদে হায়না য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিছোর্স মিনিষ্ট্রিদা ইলেক্সন কম্মিসননা খঙহনখ্রে।

হিরম অদু সেকেন্দরি থাক্কী মহৈরোইশিংদা সবজেক্ট অমা ওইনা য়াওহন্নবসু হায়খি। মদুতা নত্তনা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা এন সি ই আর টিদা ইলেক্সন অমসুং ইলেক্টোরেল প্রোসেসকী লাইরিক ফংহন্নবসু খঙহনখি।

চুন্নবা থাক্তঃ লম অদু সপ্লিমেন্টরি মেটরিয়েল অমা ওইনা য়াওহন্নবসু খঙহনখি। মমাঙগী জুলাই থাদা ইলেক্সন কম্মিস্নার নাসিম জাইদিনা ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাস জাবেটকরদা ইলেক্টোরেল লিটরেসি মহৈরোইশিংগী করিকুলমদা হাপ্পনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

ইলেক্টোরেল লিটরেসি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা অঙাংশিংগী মহৈ তম্বদা চৎনা কাংলোন অমগী মখাদা হৌদোক্লবসু খঙহনখিবনি। ইলেক্সন কম্মিসননা অঙাংশিংগী করিকুলমদা ইলেক্টোরেল লিটরেসি য়াওহনবতা নত্তনা সেকেন্দরি থাক্কী মহৈরোইশিংদা কো করিকুলর অমা ওইহন্নবসু মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

ওগষ্ট থাদা জাবেটকরনা হিরম অদুগী মতাংদা এন সি ই আর টিগা তান্নবীনবসু হায়রকখিবা লৈখি। লোয়ননা নেসনেল সেকেন্দরি স্কুলগী করিকুলম শেম্বদা য়াওহন্নবা শেম শাবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখিবনি।

এন সি ই আর টিনা পুথোকপা লাইরিকশিংদা ষ্টদি মেটরিয়েল অমা ওইনা য়াওহনবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুগুম্বা থৌশিল অদু ইলেক্সন কম্মিসননা এন সি ই আর টিগী মথংগী ফোঙগদবা লাইরিকশিংদা য়াওবা তাঙইফদে।

জবেটকরনা হায়, অনৌবা এদুকেসন পোলিসিদা হায়রিবা লম অদু করিকুলমদা হাপ্পনবা খঙহনখি হায়রি। এন সি ই আর টিনা পুথোকপা পোলিটিকেল সাইন্সকী টেক্সবুক্তা ইলেক্টোরেল প্রোসেসকী মরিক চুম্বা পরাশিং য়াওরি হায়রি।

## সত্যরথিগী য়ুমদগী হুরানখিবা নোভেল সাইটেসন ফংলে, মীওই ৩ ফারে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*





অঙাংশিংগী হক্কী লমদা অখন্নবা থবক তৌবগীদমক নোবেল পিস প্রাইজ পীদুনা কৈলাস সত্যরথিদা ইকায় খুম্নখি। সত্যরথিনা নোবেল পিস প্রাইজগী মেদল অদু প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিদা ইং ২০১৫গী জনুৱারিদা খুদোল তৌখি।

অদুম ওইনমক ওরিজিনেল মেদল অদুদি চেকশিন্না সত্যরথিগী য়ুমদা ঙাক-শেন্দুনা থমখি। অদুগুম্বা মেদল অদু হুরানখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মীওই ৩ ফাগৎখ্রে। নোভেল প্রাইজ রেপ্লিকা, সাইটেসন অমসুং লৈতেংগী পোৎলম কয়া দিল্লিগী কালকাজিদা লৈবা কৈলাস সত্যরথিগী য়ুমদা থল্লকখিবনি।

নোবেল রেপ্লিকা, সাইটেসন অমসুং লৈতেংগী পোৎলম কয়া হুরানখিবগী মরী লৈননা পুলিসনা রাজন, সুনিল অমসুং বিনোট কৌবা মীওই ৩ ফারে। মখোয়দগী হায়রিবা পোৎলমশিং অদুসু রিকোভর তৌরে হায়না সেনির পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরক্লি।

সত্যরথিগী য়ুম লৈরিবা মফম অদুদা লৈবা অতোপ্পা য়ুম অনীশু হরানবশিং অদুনা শগুন তৌদুনা অতাংবা পোৎলম কয়া হুরানখি হায়রি। ফেব্রুৱারি ৭তা সত্যরথিগী সাইটেসন এৱার্দ অমসুং তাংলবা পোৎলমশিং মহাক্কী খা নোংপোক থংবা দিল্লিগী শরুক্তা লৈবা য়ুমদগী হুরানখিবনি।

কৈলাস সত্যরথিনা পানমাগী প্রসিদেন্টকা লোয়ননা পানমাদা পাঙথোকপা চাকলেন অমা শরুক য়ারিঙৈ চৈরক্তা অতাংবা পোৎলমশিং অদু মহাক্কী য়ুমদগী হুরানখিবনি হায়রি।

## অসামদা পোলিথিন খাও শীজিন্নবশিং টেক্স থিগদবনিঃ ষ্টেট গভর্নমেন্ট



*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

চহী ৬ পোলিথিন খাও শীজিন্নবা থিংনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হন্দক অমুক অদুগুম্বা থৌশিল অদু অমুক হন্না চখহন্নবা অমদি পোলিথিন খাও থিংননবগী পান্দমদা সহরগী লমদমদা পোলিথিন খাও শীজিন্নবশিংগী মথক্তা ইনভাইরোন্টমেন্ট টেক্স লৌবগী থৌশিল হৌদোক্লগনি হায়রি।

দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্বা শর্ম্মনা জেরো অৱারগী মতমদা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখিবদা পোলিথিননা ইনভাইরোন্টমেন্টতা পীরিবা চৈথেং অসিদা গভর্নমেন্টনা হকচিন্না লৌই। মরম কয়াদগী লৈঙাক অসিনা পোলিথিন খাও থিংবা ঙমদ্রে। হন্দক অমুক লৈঙাক অসিনা অনৌবা থৌশিল অমা ওইনা পোলিথিন শীজিন্নবশিংগী মথক্তা ইনভাইরোন্টমেন্ট টেক্স লৌখৎনবা হোনরি হায়খি।

শর্ম্মনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চহী ৬কী মমাঙদগী গভর্নমেন্টনা পোলিথিন থিংখ্রবনি। অদুম ওইনমক হায়কোর্টকী য়াথং অদু চপ চানা ঙাকপা ঙমখিদে।

অতে অতোপ্পা ষ্টেট হিমাচল প্রদেশ, মৈদ্যপ্রদেশতদি হায়কোর্টকী য়াথং ঙাক্লা চৎখি। ষ্টেট ২ অদুগা তান্নদুনা অসাম গভর্নমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা অনৌবা পোলিথিন থিংবগী চৎনা কাংলোন শেম্ননবা হোৎনরি হায়খি।

পোলিথিন শীজিন্নবনা ইনভাইরোন্টমেন্টতা শোকহল্লিবশিং খঙবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা চহী ৬কী মমাঙদগী পোলিথিন খাও শীজিন্নবা থিংনবা হোৎনখিবনি। অদুবু মায় পাকখিদে হায়রি।

## কাশ্মীরগী কুলগামদা টেরোরিষ্ট ৪ হাৎখ্রে, লান্মী ২ শীরে, ৩ শোক্লে



*শ্রীনগর, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী কুলগামদা পুং ১০ চুপ্পা চৎখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তঃ টেরোরিষ্ট ৪ হাৎখ্রে। খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংদগী হৌরকখিবনি।

শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা ফ্রিসাল খুঙ্গংদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবা অদুদা লান্মীগী মীওই ২ শীখি। অদুগা ৩না অশোক অপন নংখি।

ঙরাং নুমিদাং খোঙজং চংশিনবা মীওইশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১৮ অশোক অপন নংখিবা হেক মতুংদা নোংমৈ কাপ্পবদা মীচম ১, টেরোরিষ্ট ৪ অমসুং লান্মী ২ শীখি।

পুলিসকা খোঙজংলোইশিংগা মুক্রবদা মীওই ৪ নোংমৈ মরুনা পান্দুনা অরুবা ফিভমদা শোকখি। মখোয় শ্রীনগরদা লায়েংনবগীদমক পুখ্রে। মুষ্টক ইব্রাহিম (২৫) কৌবা মীওই অমা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুং লৈখিদ্রে।

লান্মীগী পাউ মতুং ইন্না টেরোরিষ্টশিংগী মীওই ৭ য়ুম অমদা চংশিন্দুনা লৈরমখি। টেরোরিষ্টশিং অদু হিজবুল মুজাহিদ্দিন অমসুং লাস্কর ই-তোইবাগী কাদরশিংনি। মফম অদুদা হিজবুল অমসুং লাস্কর ই তোইবগী মিলিটেন্ট অমমম হাৎপা ঙমখি। অদুগা মীওই ৩না নাম্থোক্তুনা চেনখি।

ঙসিগী থৌদোক অদু সিক্যুরিটিগী ওইনদি চাওনা মায় পাকপনি। লোয়ননা টেরোরিষ্টগী পুক্নিং ৱাখল হন্থহনবা ঙম্বা থৌদোকনি হায়না ব্রিগেদিয়র আর চকরৱার্টিনা ফোঙদোরক্লি।

খা থংবা কাশ্মীরগী শরুকশিং টেরোরিষ্টশিংগী খ্বাইদগী শাফবা মফম অমা ওইরি। মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা লমদম অদুগী মীওই ৫৯ টেরোরিষ্ট কাংলুপ অমদা য়াওখি হায়বগী ওফিসিয়েল ওইবা রেকোর্দ লৈ।

হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেরোরিষ্ট বুরহান ৱানি হাৎখিবা মতুং লমদম অদুদা মীয়াম্মা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকপদগী হৌখিবা থা ৫ রোম এন্টি টেরর ওপরেসন লেপ্তুনা লাকখি। মদুনা মরম ওইরগা খা থংবা কাশ্মীরদা টেরোরিষ্ট হেন্না মশিং য়ামখৎলকপগী মরম ওইখি।

পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেরোরিষ্টশিংনা লমদম অদুদা মঙক হায়গৎতুনা লৈরি। নিংথম থাগী মতম অসি লাইন ওফ কন্ত্রোলদা উন কা হেন্না তাশিনবনা মরম ওইরগা টেরোরিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী চাং মহৌশাদগী হন্থে। অদুম ওইনমক কাশ্মীর তম্পাক্তদদি হিংশাগী থৌদোক থোকপগী চাং হন্থবা লৈতে হায়রি।

## পাকিস্তান সিনেট দিপ্যুতি চেয়রমেনদা য়ু এসনা ভিসা পীবা য়াখিদ্রে



*ইস্লামবাদ, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

ন্যুয়োক্তা লৈবা য়ু এন হেদ ক্বার্টর্সতা পাঙথোক্কদবা ইন্টর পার্লিয়ামেন্টরি য়ুনিয়নদা শরুক য়াগদবা পাকিস্তান সিনেট দিপ্যুতি চেয়রমেন অমসুং লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা ইস্লামিক পার্টিগী লুচিংবশিং য়ু এসনা ভিসা পীরকখিদ্রে।

মৌলানা অব্দুল ঘাফুর হায়দেরি অমসুং জমট উলেমা ইস্লামগী জেনরেল সেক্রেটরি ফেব্রুৱারি ১৩দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা য়ু এনগী মীফমদা শরুক য়াননবা হোৎনখিবনি।

এক্সপ্রেস ত্রিবুনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হায়দেরিগী ভিসা অদু টেক্নিকেল ওইবা মরম খরদগী য়াখিদবনি হায়রি। অদুগা সিনেটর লেফটিনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার) সল্লাহুদ্দিন টিরমিজি হায়দেরিগা লোয়ননা লাক্কদবনি।

লুচিংবা অনী অদু য়ু এনগী মীফম য়াওগদবনি অদুম ওইনমক ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংলগা পাকিস্তানগী সিনেট চেয়ারমেন রাজা রবানিনা পীরকখিবা পাউতাক্কী মতুং ইন্না মীফম অদু য়াওররোই হায়রি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মুস্লিমনা নম্না খুন্দাবা পাকিস্তান য়াওনা লৈবাক ৭কী মীওইশিং য়ু এসতা চংলকপা অথিংবা থম্বগী ৱাফম অদু কোর্টনা য়াখিদ্রবা মতুং নোংমা কোনবদা ৱাথোক অসি থোক্লকখিবনি।

ত্রম্পনা মমাঙ থাদা ইরান, ইরাক, লিবিয়া, সোমালিয়া, সুদান, সিরিয়া অমসুং য়েমেনগী মীওইশিং লৈবাক অদুদা চংলকপদা অথিংবা থমখি। ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী মতুং ইন্না পাকিস্তানগী সিনেটরশিং লৈবাক অদুদা লাক্লনবগীদমক চয়োল অনীগী মমাঙদগী হৌনবী মতুং ইন্না এপ্লাই তৌরকখি।

য়ু এস ইম্বেসিগা লোয়ননা য়ু এস সিনেট সেক্রেটরিয়েটনা হায়দেরিগী পাসপোর্ট ওফিসিয়েল ওইনা য়েংশিনবগী থবক চৎখি। য়ু এস ওথোরিটিনা ভিসাগীদমক এপ্লাই তৌরকপা চেরোলশিং অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হলহল্লকখি। লোয়ননা হায়দেরি য়ু এনগী মীফম অদু য়াওনবা য়ু এসতা লাকপা য়ারোই হায়না ময়েক শেংনা খঙহল্লকখি।

নাকল অমরোমদা পাকিস্তানগী লুচিংবা রবানিনা ওইরিবা ফিভম অসি চপ চানা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবা য়ু এসকী দেলিগেসন নত্রগা দিপ্লোমেটশিংগী ৱাফম খন্নরোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এসকী দেলিগেসন, কংগ্রেস মেম্বর নত্রগা দিপ্লোমেটশিং পাকিস্তানদা লাকপদা পাকিস্তান সিনেটনা তরাম্না ওক্লোই। ওইরিবা ফিভম অসিগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা লাক্ত্রি ফাওবা য়ু এসকী মীওই অমত্তা পাকিস্তানদা চংহল্লোই হায়না রবানিনা পাউমীশিংদা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## কার্লিফোনিয়াদা টেলঙ্গনাগী মহৈরোই অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

*হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

য়ু এসকী কার্লিফোনিয়াদা মহৈ তমদুনা লৈবা টেলঙ্গনাদগী চহী ২৭ শুরবা মহৈরোই অমা শকখঙদবশিংনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না ভামসিরেদি কৌবা মহৈরোই অদু ষ্টেট অদুগী ৱারঙ্গল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবনি। মহাক য়ু এসকী সিল্লিকোন ভেলি য়ুনিভর্সিটিদা মাষ্টর পাস তৌরবা মতুং পার্ট টাইম ওইনা মফম অদুদা থবক তৌদুনা লৈবনি।

মীহাৎপশিং অদুনা ভামসিগী কার অদু শেন্নদুনা লৈরবা মতুং কার অদু লেপ্পা মতমদা মীওইশিং অদুনা অনকপা মফমদগী নোংমৈনা কাপশিন্দুনা হাৎলমখিবনি। ভামসিগী অশিবা হকচাং অদু কার মনুংদা লৈরম্বা থেংনখি।

মহাক ইং ২০১৩দা বিটেক পাস তৌরবা মতুং য়ু এসতা চৎখিবনি। ভামসিগী ইমুং মনুংনা ষ্টেট লৈঙাক্তা লৈখিদ্রবা মখোয়গী মচানুপা অদুগী হকচাং পুরকপদা মতেং পাংবীনবা হায়জখ্রে হায়রি।

## বৈজিংদা ঐচ ৭ এন ৯ বার্দ ফ্লুগী কেস থেংনরে

*বৈজিং, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা অহানবা ওইনা ঐচ ৭ এন ৯ এভিয়ান বার্দ ফ্লু মীওইবদা শন্দারকপগী কেস থেংনরে। চহী ৬৮শুরবা মীওই অমা ভাইরস অদুনা শোকহল্লমখি।

হেবৈ প্রোভিন্সকা থংননা লৈবা লাং ফাং সহরগী মনুং চনবা মফম অমদা লৈবা জাং লায়না অদুনা শোকহনবদগী অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

জাং হায়রিবা মীওই অদুদা লায়না অদু জনুৱারি ২৯দগী লায়ওংউৎলকপা থেংনখি। মহাক লাং ফাংদা লৈবা লোকেল হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লাকখি। তুংদা চৎলিবা থা অসিগী ৬তা মীওই অদু বৈজিংদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা ত্রান্সফর তৌরকখি।

মীওই অদুগী ফিভম লুরি। জাং ফাম ঐচ ৭ এন ৭ ষ্ট্রেন এভিয়ান ফ্লু পোজিটিব ওইরে হায়বা কনফার্ম তৌরে। মহাক হকথেংননা য়েনশিংগা লোয়নবা মীওইনি।

ঐচ ৭ এন ৯ মীওইবদা শন্দারকপগী কেস চাইনাদা ইং ২০১৩দা থেংনখি। নিংথম থাগী মতমদা অদুগুম্বা লায়না অদু তোইনা শন্দোরকপা থেংনৈ। জিয়াংসু প্রোভিন্সতা লায়না অদুনা হৌখিবা থা ৩দা মীওই ৩০ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই ৪৯না লায়না অদুনা নাহনখি।

লায়না অদুনা শোকহনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই কয়া হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। দিসেম্বর থা খক্তদা লায়না অদুনা মীওই ৫৪ শীহনখিবা লৈখি হায়রি।

## নোর্থ কোরিয়ানা সমুদ্রদা বেলিষ্টিক মিসাইল কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখ্রে

*সিওল, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবানদগী সমুদ্রদা বেলিষ্টিক মিসাইল কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়া মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মীখলদা মায় পাকখ্রবা মতুং নোর্থ কোরিয়না অহানবা ওইনা পাঙথোকপা মিসাইল চাংয়েংনি। য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়া মিলিটরিগী পাউ মতুং ইন্না চাংয়েং তৌখিবা মিসাইল অদুনা চৎলিবা অরাপ্পা অদু য়েংলগা মিসাইল অদু ইন্টর কন্টিনেনটেল মিসাইল অমদি নত্তে হায়রি।

হ্বাইত হাওসনা ফিভম অদু কুপ্না য়েংশিল্লি। ত্রম্পনা ঙসিগী মিসাইল চাংয়েং অদুগী মতাংদা থোইদোকপা ৱাফম ফোঙদোকখিদে। নোর্থ কোরিয়াগী নোংচুপ থংবা পেং য়োনদগী অয়ুক্কী পুং ৮ লোম তাবদা মিসাইল অদু কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়া মিলিটরিনা হায়, সিও অমসুং ৱাশিংটন চাংয়েং অদু কুপ্না য়েংশিনবগী থবক চখরি। য়োনহেপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নোর্থ কোরিয়ানা চাংয়েং তৌখিবা মিসাইল অদু ময়াই ওইরপ শানবা বেলিষ্টিক মিসাইল মখল অমনি। মিসাইল অদু কিলোমিটর ৩০০০ লোম শান্না কাপ্পা য়াননবা শেম শাবনি হায়রি।

জপানগী চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি য়োসিহিদে সুগানা হায়, মিসাইল অদু জপানগী ঈশিংগী শরুক্তঃ তাশিল্লকপা মানখি। অদুম ওইনমক জপানগী ইক্সক্লুসিপ ইকোনোমিক জোনগী মনুং চন্নদি পায়শিল্লকখিদে হায়খি।

## চাইনাদা কেমিকেল প্লান্ট পোকখায়খ্রে

*বৈজিং, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা জিন জিয়াং উইগুর ওটোনোমস রিজনদা লৈবা কেমিকেল ফেক্টরি অমা পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ২ শীরে। অদুগা ৮না অশোক অপন নংখ্রে।

রিজনেল ৱার্ক সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না য়িহুৱা কেমিকেল প্লান্টকী কেলসিয়ম করবাইদ ফর্নেন্সতা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনীগী হকচাং ফংবা ঙম্লে।

পোকখায়খিবগী মরম চপ চানা ফংবা ঙমদ্রি। চাংজিহুই ওটোনোমসতা লৈবা কেমিকেল প্লান্ট অদুদা খঙহৌদনা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা শোকহনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ৩গী ফিভম লুরি।

অদুগা কা হেন্না শোক্তবা মীওই ৫সু লমদম অদুগী হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরি হায়রি।

## GAS TODAY

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......19/10/2016
Valid from ........... 05/10/2016
Stk 14kg ..... 918, 19kg ..... 24
Timing.........8.00 to 11.00 a.m

**LAMBODARA INDANE**
Booking upto .......01/12/2016
Valid from ........... 24/11/2016
Stk .................................612
Timing........7.30 to 10.00 a.m
Please bring a copy of Aadhar

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
Booking upto .......22/11/2016
Valid from ........... 18/11/2016
Stk .................................306
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**MAHALASHMI INDANE GAS**
Booking upto .......05/11/2016
Valid from ........... 14/10/2016
Sl. No. Upto 200017440
Stk .......................306(DBTL)
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......02/11/2016
Valid from ........... 06/10/2016
Stk .................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**JEMON GAS SERVICE**
Booking upto .......19/09/2016
Valid from ........... 07/09/2016
Stk .......................306(CTC)
Timing..........7.00 to 9.00 a.m

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......28/10/2016
Valid from ........... 20/10/2016
Stk .................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m
Peisa achoiba pubiraku

**ASHANGBI INDANE**
Booking upto .......26/10/2016
Valid from ........... 17/10/2016
Stk .................................306
Timing.........9.00 to 11.00 a.m

**R & H INDANE**
Booking upto .......16/10/2016
Valid from ........... 27/09/2016
Stk .......................612(DBTL)
Timing.........8.00 to 11.00 a.m

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......24/10/2016
Sl. No. Upto 270
Stk .................................306
Timing........7.00 to 11.00 a.m

**KHONGNANG GAS, BISNUPUR**
Booking upto .......03/08/2016
Sl. No. 5026 to 5252
Valid from ........... 27/07/2016
Stk .................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m


## "পাউঙ্জেজবা"



ঐখোয় খ্বাই পুম্নমকপু কোনবীরম্বা শ্রী গুরুময়ুম জয়কুমার শর্ম্মা, President Manipur Olympic Association; Founder General Secretary AMSU; President Manipur Dramatic Union; President Manipur Soft Ball Association, President Manipur Basketball Association; President All Manipur Polo Association; Member Editorial Board Cultural Forum Manipur; Vice-President Basketball Federation of India; President Youth Front MPP; General Secretary (Organisation) MPP; Convenor North-East Regional Political Parties Forum; National Executive Member National Front; Vice-President Manipur State Congress Party; Primary Member MPCC অমসুং AIR গী News Reader ওইবিরম্বা পেলেস কম্পাও ইম্ফালদা লৈবনা হৌখিবা ফাইরেনগী ১৪ / ১৫নি পানবা পুর্ণিমা ইরাই নুমিৎ ফেব্রুৱারি তাং ১০, ২০১৭ ইংদা ঈশ্বরগী খুয়াদা চংজখ্রে। লাক্লিবা ফেব্রুৱারি তাং ১২, ২০১৭ইং ফাইরেনগী ১৭নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অষ্টি লৌখৎচরগা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি তাং ২০, ২০১৭ ইং ফাইরেনগী ২৪নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চ্রিডা উৎসব দিন থোক্লে। থৌরম পরেংশিং অসিদা মরুপ-মপাং, মরি-মতা, খুন-চানখিবশিংনা মতম চানা লেংবিরক্তুনা য়াওবিরনবা পাউজেঞ্জরি।

*পাউঞ্জেজরিবশিং :-*

মরুপ-মপাং, মরী-মতা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং
পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল ইষ্ট।

SL/1854/12,13


সনা-সুদোকু- ৭৮২ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 3 | 1 | 4 |
| 9 | 4 | 6 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 4 | 2 | 8 | 9 |
| 8 | 3 | 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 1 | 7 | 3 |
| 6 | 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-781**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 8 | | 7 | | |
| | | | | 5 | 4 | | | 3 |
| 5 | | | | | 2 | 9 | | |
| | | | 4 | | | 2 | 3 | |
| | 9 | | 5 | | 6 | | 1 | |
| | | | | | 7 | | | |
| | | 2 | 1 | | 5 | | | |
| | 5 | 4 | | 7 | | | | |
| | | | 6 | 2 | | | 5 | 9 |